# গ্লোবেল বাইওদাইভর্সিটি পেক্ট য়াঙশিন্নবা মোন্ট্রিলদা নুমিৎ হুম্নিগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্লগনি

ওটৱা, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

মালেমদা মহৌশাগী খল লেপ্তুনা কায়থরক্লিবা অসি লাকশিনবা ঙম্ন বগীদমক গ্লোবেল বাইওদাইভর্সিটি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা থুনা পুরকপা য়ানবগীদমক্তা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা কানাদাগী মোন্ট্রিলদা দিসেম্বর ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।



মীফম অদু এগ্রিমেন্ট অদুগী মনুংগী ওইবা মচাকশিং, পার্দমশিংগী মতাংদা নিগোসিএট তৌনবগীদমক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী কম্যুনিটিগী মঙাশুবা মীফমনি।

এগ্রিমেন্ট অদু পুরক্নবগীদমক্তা খন্নগদৌরিবা ৱাফমশিং অদু চাইনানা চিয়র পায়রিবা য়ুএন কনভেন্সন ওন বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটিগী ১৫ শুবা কনফরেন্স ওফ পার্টিস (সিওপি) ১৫ গী মীফম মনুংদা খুদক্তা য়ান্নবা পুরক্নবা হোৎনগনি হায়রি।

দিসেম্বর ৭ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা মদুগী অৱাংবা থাক্কী সেগমেন্ট অমদি দিসেম্বর ১৩ দগী ১৫ ফাওবদা পাঙথোক্কনি।

কনভেন্সন ওফ বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটিগী একজিক্যুটিব সেক্রেটরি ইলিজাবেথ মারুমা মারেমানা হায়খি, মদুদি হৌখিবা জুনদা নাইরোবিদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা নিগোসিএটিং সেসন অদুনা অরোইবা ওইবা য়াই হায়না লৌনরক্লবসু এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা ঙমখিদে।

নাইরোবিগী সেসন অদু খরা তপখি হায়না লৌবা তারবসু জেনরিক রিছোর্সশিংগা মরী লৈনবা দিজিটেল সিক্বেন্সিং ইনফোর্মেসনগী ইস্যু য়াওনা হিরম কয়াদা প্রোগ্রেস লৈখি। পার্টিশিংনা দিজিটেল সিক্বেন্সিং ইনফোর্মেসন অসি ফ্রেমৱার্ক অদুগী শরুক ওইগদ্রা নত্ত্রগা তোঙান্না দিল তৌগদ্রা হায়বসিগী মতাংদা দিসেম্বরদা ৱারেপ লৌগনি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা কোপ ১৫ গী মমাঙগী নুমিৎ খরনি অদু অহেনবা নিগোসিএসনগী ওইনা য়াম্না মরু ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। হান্না কুমজা ২০২০ দা চাইনাগী কুনমিংদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা কোপ ১৫ অসি কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্না মরু ওইদুনা য়ৈথোকখিবনি অমসুং মতুং তাবদা পার্ট অনীগী ইভেন্ট অমা ওইরকখিবনি।

পার্টৱান অদু হৌখিবা ওক্তোবরদা কুনমিংদা মায় পাক্লা পাঙথোকখি। মদুদা চাইনিস প্রসিদেন্ট সি জিনপিং অমসুং পার্টি নিপানগী অতৈ ষ্টেট লিদরশিং লোয়ননা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেলনা ওনলাইনদা ৱা ঙাঙখি অমসুং মদুদা মখোয়না বাইওদাইভর্সিটি ক্রাইসিস অসি মায় পাক্লা মায়োক্লবা ঙম্নবা হোৎনবগী অচেৎপা পান্দম লৈ হায়না ফোঙদোক্লখি।

কোপ ১৫ গী অনীশুবা পার্ট অদুদা কুনমিং দিক্লারেসন অমসুং প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা চাইনানা কুনমিং বাইওদাইভর্সিটি ফন্দ লিংখৎনবা য়ুৱান বিলিয়ন ১.৫ ইনভেষ্ট তৌরগনি হায়বা ৱাফম নৌহৌননা নীংশিংখি।

চাইনিস লিদর অসিনা ফন্দ অসি লিংখৎপনা মালেমগী ওইবা দাইভর্সিটি গভর্নেন্সতা পোলিটিকেলগী ওইবা অকনবা ইনোৎ হাপ্পা ঙম্লগনি অমদি সিওপি ১৫ গী অনীশুবা পার্টকী অকনবা ফাউন্দেসন অমা শেম্বা ঙম্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

সিওপি ১৫ গী ফাইনেল ওইগনি হায়না লৌনরিবা সেসন অদুবু কানাদাগী মোন্ট্রিলদা পাঙথোক্লবগী ৱারেপ অদু হৌখিবা থাদা কনফরেন্স ওফ ড পার্টিস ব্যুরোনা সিবিদি সেক্রেটরিএট অমদি চাইনা অমসুং কানাদাগী গভর্ণমেন্টশিংগা তান্নরগা লৌখিবনি।

চৈরকসিদা অফ্রিকান প্রোটেক্টেদ এরিয়াস কংগ্রেস (এপিএসি ২০২২) হৌদোকপগী থৌরমগী নাকোয়ননা চয়োল অসিদা পাঙথোকখিবা অফ্রিকান নেসনেল ফাইনান্স ফোরমদা অফ্রিকাগী গভর্ণমেন্ট লিদরশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা মালেমগী বাইওদাইভর্সিটি কন্ননবা মালেমগী লৈবাকশিংনা শেল হেন্না থাদনবা আপিল তৌখ্রে।

# জমর্নিদা চহী তরাগী মনুংদা নন-ইয়ু লেবর ফোর্স শরুক অহুম হেনগৎখ্রে

বর্লিন, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

জমর্নিদা রেজিষ্টর তৌবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী ৱাংমদা লৈবা লৈবাকশিংগী টেম্পররি ৱার্করশিংগী মশিং অসি হৌখিবা চহী তরাগী মতম অসিদা শরুক অহুমগী মথক্তা হেনগৎখি হায়না ফেদরেল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিস (দেষ্টাটিস) না হায়রি।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, খ্বাইদগী নৌবা দেটা য়েংশিনবা য়ারিবা কুমজা ২০২১ দা জমর্নিদা নন-ইয়ু ৱার্কর ২৯৫,০০০ লৈখি। নন-ইয়ু ৱার্করশিংদুগী মনুংদা ৱার্কর ৩৩,৯০০ তি ইন্দিয়াদগীনি। মসি জমর্নিদা লৈরিবা টেম্পররি রেসিদেন্টস পার্মিট পায়বা নন-ইয়ু ৱার্কর অপুনবগী চাদা ১১ নি।

দেষ্টাটিসকী মতুংইন্না চাইনাদগী লাকপা ৱার্করশিংনা নন-ইয়ু ৱার্কর মশিং ১৬,৭০০ হেনগৎহন্দুনা চাদা ৬ ওইখি। দেষ্টাটিসনা মখা তানা হায়, নন-ইয়ু ৱার্কর মরিগী মনুংদা অমদি য়ুরোপিয়ন ব্লু কার্ড পায়বা একাদেমিক স্পেসিএলিষ্টশিং ওই।

পার্মিট অসি ব্লোক অসিদা নীংথিনা ক্বালিফাই ওইরবা স্পেসিএলিষ্টশিং ৱাৎপগী ফিভম অদু কোকহন্নবগী পান্দমদা লোয়ননা কুমজা ২০১২ দা ইয়ুগী লৈবাক অপুনবদা চৎনহনখিবনি।

ব্লু কার্ড অমা লৌনবগীদমক্তা মথৌ তারিবা মচাকশিংগী মনুংদা য়ুনিভর্সিটি দিগ্রি অমসুং জোব ওফর য়াওরি। জোব ওফর অদুগী চহীগী গ্রোস সেল্লরি অসি য়ামদ্রবদা য়ুরো ৫৬,৪০০ (দোল্লর ৫৭,৫০০) নি।

মেদিসিন নত্ত্রগা আইটিগুম্বা অকক্লবা স্কিল ৱার্করশিং কা হেন্না ৱাৎপগী মতাংদদি য়ুরো ৪৩,৯২২ গী লৱার মিনিমম থ্রেসোল ওইবা গ্রোস এন্যুয়েল সেল্লরিনসু এপ্লাই তৌবা য়াই।

দিষ্টাটিসনা হায়রি, মদুদি কুমজা ২০২১ লোইশিল্লকপদা জমর্নিদা থবক তৌরিবা ব্লু কার্ড হোল্ডর অপুনবগী তঙ্খায় অমরোমদি কেটিগরি অসিগী মনুং চল্লি।

মিনিষ্টর ওফ লেবর হ্যুবরটস হেল্ঠ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ড ইন্টরিয়র নেন্সি ফেসরগী মতুং ইন্না জমর্নিনা ব্লু কার্দকীদমক এপ্লাই তৌননবা হন্দক্তা গ্রেজুএট ওইরবশিংগী ইনকম থ্রেসোল মখা তানা হন্থহন্নবা থৌরাং তৌরি। অসুম তৌবা অসিনা মহৈ মশিংদা মতিক চারবা নহা ওইরিবা মীওইশিং জমর্নিদা মখোয়গী করিয়র হৌবা ঙমহল্লগনি।

প্রোফেস্নেল এক্সপরিয়েন্স লৈরবা থোইদোক্লা হৈথোই শিংথোইরবা নহাশিংনা লৈবাক অসিদা থবক চঙবা য়ানবা ঐখোয়না লৈবাক অসিগী সিষ্টেমশিং শেমদোক্তুনা হেন্না লাইথোকহনগদবনি হায়না মিনিষ্টরশিং অসিনা হন্দেল ব্লাট পাউচেদা ফোঙদোকখি।

# কেনিয়াদা ওগষ্ট ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎখ্রে

নাইরোবি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

লাক্লিবা ওগষ্ট ৯ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবা কেনিয়াগী জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎলে হায়না কেনিয়ন পুলিসনা লাউথোকখ্রে।



নাইরোবিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা পুলিস ইন্সপেক্তর জেনরেল হিলারি মুটয়াম্বাইনা হায়খি, মদুদি ভোটর পুন্নমক্লা ভোট থাদবদা খুদোংথীবা অমত্তা নঙলোইদবা ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহন্নবগীদমক মীখল মনুংদা পার্টনর সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদগী ওফিসার লাক্ষ ১,৫০,০০০ দিপ্লোই তৌগনি।

জেনরেল ইলেক্সন মমাঙ, মনুং অমসুং মতুংদা জেনরেল দ্যুটিগী ওফিসারশিংদা টেক্নিকেল সপোর্ট পীনবগীদমক লৈবাক অসিগী মফম শীনবা থুংনা পুলিস য়ুনিটশিংসু দিপ্লোই তৌগনি। মীখলগী মাঙওইননা কেম্পেইনগী মতমদা লোজিষ্টিকেল অমসুং এয়র সপোর্ট পীননবা মখা তানা ষ্ট্রেটেজিক লোকেসনশিংদা এয়র ক্রাফট দিপ্লোই তৌবগী অহেনবা প্রোভিজনসু লৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কেনিয়াগী মীখল অদু মরু ওইবা পোলিটিকেল এল্লাইয়ন্সশিং হায়বদি দিপ্যুটি প্রসিদেন্ট ৱিলিয়ম রুটোনা লুচিংবা কেনিয়া ক্বাঞ্জা অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রৈলা উদিঙ্গানা লুচিংবা অজিমিয়ো লা উমুজাগী মরক্তা কন্না লাম্বা তৌনগদৌরিবনি।

হৌজিক হৌজিক ফাইনেল টার্ম ওইনা ওফিস পায়দুনা লৈরিবা প্রসিদেন্ট উহুরু কেনিয়াটানা মহাক্কী দিপ্যুটিবু শৌগৎপগী মহুত্তা মঙারকশুবা ওইনা প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মীরেপ ওইরিবা মহাক্কী হান্নগী রাইবেল উদিংনাবু শৌগৎননবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

মুতিয়ম্বাইনা হায়খি, মদুদি মীখলগী শেম শাবগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্তরেল এন্দ বাউন্দরি কম্মিসন (আইইপিসি) বু মীখল মওং মরিল তানা অমদি অয়েৎ অপন লৈহন্দনা কন্দক্ট তৌবা ঙমহন্নবা ইলেক্তরেল সাইকল অপুম্বদা সেক্যুরিটিগী অশোয়বা অমত্তা লৈহন্দনবা মখোয়না চেকশিন থৌরাংশিং অমসুং ষ্ট্রেটেজিশিং লৌখৎলে। মীখলগা মরী লৈনবা এক্তিভিটি পুম্নমক নীংথিনা কো ওর্দিনেট তৌননবগীদমক কেনিয়ন পুলিসনা ইলেক্সন সেক্যুরিটি সেক্রেটরিএট অমসু লিংলে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মদুদি কেনিয়ন পুলিসনা পুলিস কম্মান্দরশিংবু মমাঙগী মীখলশিংদা থেংনখিবা মখোয়গী ওপরেসনশিংদা লৈখিবা অহোবশিং অদু অমুক হন্না হন্দক্কী মীখল অসিদা লৈহন্দনবগীদমক্তা মখোয়না শীজিন্নগদবা ইলেক্সন সেক্যুরিটি গাইদ লাইনশিংসু শেল্লে।

ওফিসারশিংগী রিছোর্স ৱাৎতনবা অমসুং জেনরেল ইলেক্সনগী মমাঙ, মনুং অমসুং মতুংদা লাকপা য়াবা মখল খুদিংগী থ্রেটশিং হেন্দল তৌবা ঙম্নবা মওংদা নীংথিনা শেম শাদুনা লৈহন্নবগীদমক্তা সেক্যুরিটি এজেন্সিনা অহেনবা ভেহিকলশিং অমদি ওপরেস্নেল ইক্বিপমেন্টসু লিষ্ট তৌগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# য়ুনিভর্সিটি ওফ মানচেষ্টরনা চাইনিস ফার্মদা কেমেরা টেক্নোলোজি য়োনবদা বৃটেননা অথিংবা থমখ্রে

লন্দন, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

নেসনেল সেক্যুরিটিগী ৱাফম্না মরম ওইদুনা য়ুনিভর্সিটি ওফ মানচেষ্টরনা চাইনিস ফার্ম অমদা মোসন কেমেরা টেক্নোলোজি য়োন্নবা হোৎনবদা য়ুকে গভর্ণমেন্টনা অথিংবা পীখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্টনা হায়, বিজিনেস, ইনর্জি এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল ষ্ট্রেটেজি সেক্রেটরি ক্বাসি ক্বার্টেংনা য়ুনিভর্সিটি অদুবু বৈজিং ইনফাইনাইট ভিজন টেক্নোলোজিদা কেমেরা টেক্নোলোজি পীথোক্তনবা খঙহনখি।

ক্বার্টেংনা মহাক্কী ওর্দর অদুদা হায়খি, মদুদি টেক্নোলোজি অদু য়ুনাইটেদ কিংদমগী নেসনেল সেক্যুরিটি রিস্ক ওইরকপা য়াবা মওংদা দিফেন্স নত্ত্রগা টেক্নোলোজিকেল কেপেবিলিটিশিং শেমগৎ শাগৎপদা শীজিন্নরকপা য়াই।

রিস্কশিং অসি এক্বায়রর অদুদা ইন্টলেকচুয়েল প্রোপর্টি ট্রান্সফর তৌবা মতমদা শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মানচেষ্টর অমসুং এক্বায়রর অদুগী মরক্তা লাইসেন্স এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনদুনা এক্বায়রর অদুবু লাইসেন্সকা লোয়ননা পোথোকশিং পুথোকপা য়ানবা, টেষ্ট তৌনবা অমদি ভেরিফাই তৌবগা লোয়ননা শীজিন্নবা অমদি য়োনবা য়াহন্নবগীদমক এসসিএএমপি-৫ অমসুং এসসিএএমপি-৭ ভিজন সেন্সিং টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা ইন্টলেকচুয়েল প্রোপর্টি শীজিন্নবা য়াহনখিবনি।

মদু য়ুকে গভর্ণমেন্টনা নেসনেল সেক্যুরিটি এন্দ ইনভেষ্টমেন্ট এক্ট ২০২১ গী মখাদা অনৌবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা দিল অমা ব্লোক তৌবা অহানবনি। ফাইনেল ওর্দর অদুনা হায়রিবদি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা টেক্নোলোজি অদু য়ুকেগী নেসনেল সেক্যুরিটি রিস্ক ওইরক্কদবা দিফেন্স নত্ত্রগা টেক্নোলোজিকেল কেপেবিলিটিশিং শেমগৎপদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়না লৌই।

নেসনেল সেক্যুরিটিদা পীরিবা রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক্তা ফাইনেল ওর্দর অসি মথৌ তারিবনি হায়না সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা লৌই হায়না ওর্দর অদুনা মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা সেমি কন্দক্টর মেক্কর ওইরিবা ন্যুপোর্ট ৱেফর ফাবা চাইনাগী ৱিংটেক টেক্নোলোজিগী দটস সবসিদরি অমাওইরিবা নেক্সপরিয়ানা হৌখিবা চহীদা দোল্লর মিলিয়ন ৭৫ দা লৈখিবা অদুগী মতাংদসু ক্বার্টেংনা তোঙানবা মপুং ফাবা নেসনেল সেক্যুরিটি এসেসমেন্ট অমা কন্দক্ট তৌরি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

# পাকিষ্টানগী অৱাংবা থাক্কী মিলিটরি ওফিসলশিংনা টিটিপিগা পিছ টোল্ক চত্থবগী মতাংদা ৱা তান্নখ্রে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী অৱাং থাক্কী মিলিটরি ওফিসলশিংনা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টিটিপি) টেরর গ্রুপকা পিছ টোল্ক চত্থবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা ৱাফম অসি মপুং ফাবা সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজিক অমগা লোয়ননা মখা তানা খন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ কম্মিটিগী চিয়রমেন জেনরেল নদিম রাজানা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেক্যুরিটি মীটিং অদুদা সার্ভিস চীফ অহুম্মক হায়বদি চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল কামর জাবেদ বজৱা, চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ এদমিরেল মুহমদ অমজাদখান নিয়াজি অমসুং চীফ ওফ এয়র ষ্টাফ এয়র চীফ মার্সেল জাহির অহমদ বাদের সিদুগা লোয়ননা আইএসআইগী দিরেক্তর জেনরেল লেফটনেন্ট জেনরেল নাদিম অঞ্জুম, পেসৱার কোর কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল ফাইস হামিদ অমসুং অতৈ সেনিয়র ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি হায়না দোরগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, মীটিং অদু জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ কম্মিটিগী সেসন অমা ওইনা উহন্নবা পাঙথোকখিবা ওইরবসু অসিগুম্বা সেসন অমদি ওইখিদে।

জেসিএসসিগী মীফম অমা ওইবা তারবদি মহৌশানা মদুদা ষ্ট্রেটেজিক প্লানস দিভিজনগী দিরেক্তর জেনরেল অমসুং দিফেন্স অমদি দিফেন্স প্রদক্সনগী মিনিষ্ট্রিশিংগী সেক্রেটরিশিংসু য়াওগদবনি। তৌইগুম্বসুং মখোয় অমত্তা মীফম অদুদা য়াওখিদে।

মদু আর্মিনা লুচিংদুনা অফঘানিষ্টানদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংদা ৱারী শান্নবা হৌখিবদগী আর্মদ সার্ভিসেস পুম্নমক্লা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা অসিগুম্বা মীফমশিংগী মনুংদা অহানবনি।

লৈবাক অসিগী আর্মিনা লুচিংদুনা অফঘানিষ্টানদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংগা ৱারী শান্নদুনা লাক্লি অমসুং আর্মিনা চাং নাইনা পোলিটিকেল লিদরশিং অমদি পার্লিয়ামেন্ট কম্মিটি ওন নেসনেল সেক্যুরিটিদা ইস্যু অসিগী মতাংদা ব্রিফিং পীদুনা লাকখি।

মীফম অদুগী মতাংদা আই এস পি আরনা ফোরম অদুদা মরু ওইনা নোঙচুপ থংবা বোর্দর, খাইবর পাক্তুনখুৱা বেলোচিষ্টানগা মরী লৈনবা নেসনেল সেক্যুরিটিগী ফিভমগী রিভিয়ুগী অকুপ্পা ব্রিফিং অমা পীখি।

আইএসপিআরগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা মপুং ফাবা সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজিগী মতুং ইন্না মখল মখা কয়াগী থ্রেট পুম্নমক্তা রেস্পোন্দ তৌননবা ৱারেপ লৌখি।

মমাঙগী ব্রিফিংশিংদা করিগুম্বা টিটিপিনা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লক্তবা তারবদি মপুং ফাবা ফোর্সকা লোয়ননা রেস্পোন্দ তৌগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা আর্মিনা য়ারিমখৈ মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনবনা হেন্না পাম্মী হায়বসি মিলিটরি লিদরশিপনা পোলিটিকেল লিদরশিপতা খঙহনখি।

# ইরানগী খা থংবা শরুক্তা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীওই ১৭ শিরে, ৬ থীবা খঙখিদ্রে

টেহরান, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

নোং কন্না চুবদগী ইরানগী খা থংবা লমদমদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই তরেৎ থীবা খঙদ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা ফার্ষ্ট প্রোভিন্সকী গভর্ণর য়ৌসেব-কারগারগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ঙরাং নুংথিল অথেংবা পুং ৫ রোম তাবদা ইষ্টেবান কাউন্টিগী ময়াই থংবা শরুক্তা নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকখি।



ঈশিং ঈচাও অদুনা মরম ওইদুনা ইষ্টেবানগী চিদাইদা অশিবা হকচাং ১৭ থেংনখি। হকচাং ১৩ দি মশক খঙবা ঙম্লে। হৌজিক ফাওবদা মীওই তরুক থীবা খঙদ্রি। গভর্ণর কর্নানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা তুরেল মপানদা চৎখিবা লেকেল মীওই অমদি অতৈ মফমশিংদগী লাকপা মীওই কয়া ঈশিংগী ঈমায় খঙৱাং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা ঈচাওগী ফিভম মায়োক্লখি।

লোকেল মেদিয়া অমসুং সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা রুটবালি তুরেলগী ঈশিং ঈচেলদা কার কয়া চেন্থবগী শক্তম উবা ফঙখি। হৌখিবা চহী তরাগী মতম অসিদা ইরানদা ঈকংগী ফিভম তোইনা মায়োক্লখিবা ওইরবসু ঈশিং ঈচাওশিংসু থোকখি।

কুমজা ২০১৯ দা লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৬ শিখি অমসুং দোল্লর বিলিয়ন অনী হেনবগী লন থুমশিং অমদি মহৈ মরোংশিং মাঙহন তাকহনখি।

হৌখিবা জনুৱারীদা নোং কন্না চুবদগী ফার্ষ্টতা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোক্লক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখি। সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রিবদি ক্লাইমেট চেঞ্জনা ঈকং অমদি নোং পুবা অকনবা নুংশিৎশিং য়াওনা ৱেদরগী কা হেনবা ফিভমশিং লাকহল্লে। নক্লনা লৈবা অতৈ লৈবাকশিংনা ইরানদসু মতম শাংনা নোং চুদবদগী নত্ত্রগা নোং লিক্লা চুবদগী ঈকংগী ফিভম তোইনা লাকখি। মসিদা নত্তনা চহী কয়া লৈবাক অসিদা হিটৱেবকী ফিভমশিংসু লাকখি।

হায়রিবশিং অসি মতুংদা হেন্না কনশিল্লক্কনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ৱার্নিং তৌরি। হৌখিবা থা খরা অসিদা মরু ওইনা ইরানগী ময়াই অমসুং খা নোংচুপ থংবা লমদমশিংদা তুরেল কয়া কংশিল্লকপগী মায়োক্তা মীয়াম্না দেমোন্সট্রেসন তৌবা লৈখ্রে।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা লৌমীশিং য়াওনা মীওই লিশিং কয়ানা লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা লমদমগী মনুং চনবা জিয়ানদেহ রুদ তুরেলগী কংলবা খোঙনুংদা পুনখি অমসুং মখোয়না ঈকংগী মতাংদা কমপ্লেন্ট তৌবগা লোয়ননা তুরেলগী ঈশিং থৈদোকখিবগীদমক্তা ওফিসলশিংবু মরাল শীখি।

# ইন্টরনেসনেল মার্কেটশিংদা হৱাই চেঙৱাইশিং এক্সপোর্ট তৌবা হৌনবগী দিল সাইন তৌনখ্রে

ইষ্টানবুল, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী পোর্টশিংদগী ব্লেক সি ফাওরগা ইন্টরনেসনেল মার্কেটশিংদা হৱাই চেঙৱাইশিং অমুক হন্না থাদোকপা হৌবা য়াহনগদবা দিল অমা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা ইষ্টানবুলদা টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকা তোঙান তোঙান্না খুৎয়েক পীনখ্রে।



দিল অদু অহানবদা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগু অমদি টর্কিগী মহাক্কী লেঙমান্নবা হুলুসি আকর অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা সাইন তৌখি অমসুং মতুংদা য়ুক্রেনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিনিষ্টর ওলেকসেন্দর কুব্রাকোপনা অতৈ নাকল অনীগা সাইন তৌনখি।

থৌরম অদুদা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগানসু শরুক য়াখি। টর্কি, রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মিলিটরি দেলিগেসনশিং অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মীহুৎশিংগী মরক্তা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা নিগোসিএসনগী অহানবা রাউন্দ অদু ব্লেক সিগী খুথাংদা হৱাই চেঙৱাইশিং থাদোকপগী প্রিন্সিপলশিংগী মতাংদা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপগা লোয়ননা লোইশিনখিবনি।

নিগোসিএসনগী রাউন্দ অদুদা শরুক য়ারিবা সাইটশিংনা শিপমেন প্রোসেস কন্দক্ট তৌননবা লোয়ননা মদুবু কন্ট্রোল তৌননবা ইষ্টানবুলদা কো ওর্দিনেসন সেন্টর অমা লিংখৎপগী ৱাফমসু য়ান্নখি। ষ্টেটনা চল্লাইবা এনাদুলু এজেন্সিগী মতুং ইন্না দিল অদুনা য়ুক্রেনগী পোর্টশিংদা ঙাইদুনা লৈরিবা হৱাই চেঙৱাই টন মিলিয়ন ২০ লোম ব্লেক সি ফাওরগা মালেমদা থাদোকপা য়াহল্লগনি।

# থাইলেন্দগী পিএম নো-কনফিদেন্স ভোটতা মায় পাক্লে

বেঙ্কোক, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

থা ১১ গী মনুংদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা পার্লিয়ামেন্টদা পাঙথোকখিবা নো-কনফিদেন্স ভোটতা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুটচান্দ-ও-চানা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা ওপোজিসন্না থাংলকখিবা খোঙথাং অমা থাংজ নুমিত্তা অরেম্বা তাহনখ্রে।

কুমজা ২০১৪ দা মহাক্না লুচিংদুনা কু অমা পাঙথোকখিবদগী মশাগী চহী ৮৮ শুরবা হান্নগী আর্মি চীফ অসিনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক পৱার পায়দুনা লাক্লিবনি। পার্লিয়ামেন্টরি সেসনগী লাইভ ব্রোদকাষ্টকী মতুং ইন্না পন্না ভোট ২৫৬ ফঙদুনা প্রয়ুটনা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী ভোট অদুদা মায় পাকখি। মেম্বর ২০৬ না মহাক্কী মায়োক্তা ভোট পীখি অমসুং এম পি মাপন ভোট লৌনবা অদুদা শরুক য়াখিদে।

চয়োল অসিদা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা দিবেটকী লাইভ ব্রোদকাষ্ট সেন্সর তৌরকপদগী ভোট অদু পাঙথোকপগী ফিভম লাকখিবনি। মদু ওপোজিসন্না প্রয়ুটকী গভর্ণমেন্টবু চিংথুনবা হোৎনরকপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি। প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা নো-কনফিদেন্স মোসন অদুদা ওপোজিসনননা টার্গেট তৌখিবা কেবিনেট মিনিষ্টর ১০সু ভোট অদুদা মায় পাকখি।